# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 07-12-2024)**

**ডে (এল)ঃ** লৈবাক অসিদা ঙসি আমর্দ ফোর্সেস ফ্লেগ ডে পালন তৌরি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা অমার্দ ফোর্সেসতা থবক তৌরিবশিং অমসুং এক্স সার্ভিসমেন য়াওনা মখোয় ইমুং মনুংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ঙসিগী নুমিৎ অসি লৈবাক অসিবু অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা ঙাক শেনদুনা থমবা হোৎনবদা কৎথোক্লিবা মখোয়শিংগী মরুওইবা নুমিৎনি। মখোয়গী কৎথোকপা অমসুং থৌনা হৌরক্লিবা মীরোলনা তমজনিংঙাই ওইরি। মরৈবাক নীংবা, নীংতম্প অমসুং অপুনবগী শক্তম ঙাকবা আমর্দ ফোর্সশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং শিংথানিংঙাইনি।

**ইনভাইরোনমেন্ট (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা চিংগী মফমশিংদা লৈবা খুল ১০ দা চিংজম্ ইফুৎ য়োকখৎনবা প্রোজেক্ট পায়খৎলগনি হায়রি।

ৱাফম অসি ঙরাং ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা কনক্লেপ ওন ক্লাইমেট রেজিলিয়ন্ট স্প্রিংসেট ঃ রিছার্স প্রাক্তিস এন্দ পোলিসিগী থৌরমদা রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগকী দাইরেক্তর-ডা: টি. ব্রজাকুমারনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-উখ্রুল জিলাগী লুংহর খুলদা পাইলোট পোজেক্ট ওইনা পায়খৎলিবা চিংজম্ ইফুৎশিং য়োকখৎনবা থৌরাং অদু মায় পাকপগী মমি তারকপগা লোয়ননা মখা তানা অতোপ্পা মফম তরাদা পায়খৎনবা হোৎনরকপনি। মালেমগী ওইনা অইং আশা অমদি নোংজ্ নুংশাগী খল কায়থরকপগা ইরোইননা মনিপুরদসু ঈশিংগী হৌরকফম ওইরিবা চিংগী মফমশিংদা লৈবা ইফুৎশিং কংশিল্লকপগী খুদোংচাদবা কয়া অসি থেংননবগী ৱাখল্লোন্দা কনক্লেপ অসি পাঙথোকপনি। তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদগী

লাকপা এক্সপার্টশিং য়াওনা পেনেল দিসকরসন অহুম পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা এক্সপার্টশিংনা পীরম্বা ৱাখল্লোনশিং পোলিসি ওইনা শেমদুনা ইফুৎ কন্নবা থৌরাং হেন্না মায় পাকহন্নবা হোৎনগনি হায়নসু দাইরেক্তর-টি. ব্রজাকুমারনা ফোংদোকখি।

**পিএমঃ** অগরতালা, গুৱাহাতি, গেংতোক, আইজোল, শিল্লোং, ইতানাগর অমসুং কোহিমা সহরবু প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা শিংথাখ্রে। লৈবাক অসি মপুং ফানা চাউখৎহনবদা অৱাং নোংপোক লমদমগী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়না প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা অস্তালক্সমি মহোতসব হৌদোকপগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-থৌরম অসি লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা অচৌবা শেন্থং থাদবগী খুদোংচাবা পীনবা অহানবা ওইনা পাঙথোকপনি। মসিনা লৌমীশিং, আর্টিসানশিং অমসুং ক্রাফটসমেনশিং য়াওনা মালেমগী মফমশিংদগী অৱাং নোংপোক লমদমদা শেন্থং থাদরিবশিংদা অচৌবা খুদোংচাবা পীগনি। সরকার অসিনা অৱাং নোংপোক লমদমগা থম্মোয়গী ওইবা নকবা মরী থম্বতা নত্তনা শেল থুম অমসুং নুংশি চান্নবগী অফবা মরীশিং থমদুনা লাক্লি। মশা মউ ফনা তিনজং কায়জংদনা হিংনবগী মতাংদা ভারতনা মালেমদা পীনিংলিবা খুদোল অসি মপুং ফাহন্নবা হোৎনবদা অৱাং নোংপোক লমদমশিংগী অচৌবা দায়ত্ব লৈ।

মহোতসব অসিনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্য নিপানগী মমিং লৈরবা টেক্সতাইল ইন্দষ্ট্রি, খুৎশা-হৈবগী পোৎলমশিং, টুরিজমগী মচাক মথুমশিং উৎলি। ফেষ্টিবেল অসিগী খ্বাইদগী মীয়ামগী পুকিং চিংশিনফম ওইরি। মসিদা অৱাং নোংপোক লমদমগী লৌমী ৩২০ অমসুং আর্টিসানশিংনা পুথোকপা পোৎলমশিং উৎপা, রুরেল হট বজার য়াওরি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না অৱাং নোংপোক ভারতকী মুগা অমসুং এরি-সিল্ক, আর্টিসানশিংনা খুৎশা-হৈবগী

পোৎলমশিং শাদুনা মীয়ামদা য়েংহনবা য়াওরি। ফেষ্টিবেল অসিদা আর্টিসান ২৫০ হেনবনা অখন্নবা হেন্দিক্রাফট, হেন্দলুম অমসুং জি.আই.টেক ফংলবা আইটেম ৩৪ য়াওনা এগ্রীকলচর অমসুং হোর্টিকলচরগী পোৎলম কয়া উৎলি।

**বিদ্যালয়ঃ** লৈবাক অসিদা নৌনা কেন্দ্র বিদ্যলায়া ৮৫ হাংবদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা অয়াবা পীখ্রে।

করনাতক্কাগী শিবামুগাদা লৈবা কেন্দ্র বিদ্যালায়া চাউথোকপা য়াওনা পায়খৎকদবা থৌরাং অসিদা পুন্না লুপা কোতি লিশিং ৫,৯০০ রোমগী শেনফম চংগনি হায়না পারি। কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম লোইরবা মতুং পাউগী মীফম অমদা ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসোনা হায়-বিদ্যলায়শিং অসি হাংদোকপনা নৌনা মহৈরোই লিশিং ৮২,৫৬০ অফবা মখলগী মহৈ মশিং তম্বগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। মসিগীসু মথক্তা মীওই লিশিং ৫,৩৮৮ দা থবক পীবা ঙম্লগনি। হৌজিক্কী ওইনা মোস্কো, কাঠমান্দু অমসুং তেহরানদা লৈবা কেন্দ্র বিদ্যালায়া য়াওনা পুন্না কেন্দ্র বিদ্যালায়ানা লিশিং ১,২৫৬ লৈরি। মসিদা মহৈরোই লাখ ১৩ লিশিং ৫৬ মহৈ মশিং তল্লি।

মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী নবোদিয়া বিদ্যালয় লৈত্রিবা জিলা ২৮ দা বিদ্যালায়া অসি থম্লগনি। নবোদিয়া বিদ্যালায়া স্কিমগী মখাদা পায়খৎকদবা থৌরাং অসিনা মহৈরোই লিশিং ১৫,৬৮০ মহৈ তম্বা ফংহনবতা নত্তনা মীওই লিশিং ১,৩১৬ তা থবক পীরগনি।

**মুরমুঃ** ভারতপু মপুং ফানা চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা নুপীশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়না রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ফোংদোকখ্রে।

উরিষ্যাগী ময়ুরবন্স জিলাদা লৈবা রাইরংপুর মহিলা মহা বিদ্যালয়াগী মহৈরোইশিংদা মহাক্কী ৱারোল পীরদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-নুপীমচাশিংনা মশানা মশাবু থাজবা অমসুং খোঙফম চেৎনা লেপ্পনা মখোয়গী তুংগী পুন্সিদা চাউনা মায়

পাক্কনি। ইমুং অমদা নুপী অমনা মহে মশিং নীংথিনা হৈরবদি চাউখৎপা ইমুং অমা শোয়দনা ওইগনি। মসিনা খুন্নাই অমা চাউখৎহনগনি অমসুং লৈবাক অসি মাংলোমদা চংশিনহনবা ঙমগনি।

**জয়শঙ্করঃ** কটারগী দোহাদা ঙসি পাঙথোক্কদবা দোহা ফোরমদা ভারতকী মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্কর শরুক য়াগনি।

২২ শুবা দোহা ফোরম অসিগী হীরমনা 'দা ইনোভেসন ইমপরেটিব' হায়বসিনি। থৌরম অসিগী তুংদা ডা: জয়শঙ্করনা বহরেনদা পাঙথোক্কদবা মরিশুবা ভারত-বহরেন হায় জোইন্ট কম্মিসনদা শরুক য়াদুনা লৈবাক অদুগী মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: অব্দুল লাতিফ বিন রাসিদ অল জয়ানিগা উন্নগনি। শ্রী জয়শঙ্করনা লৈবাক অদুদা হয়েং পাঙথোক্কদবা আই.আই.এস.এস. মনামা দাইলোগকী ২০ শুবা এদিসনদসু শরুক য়াগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

এন.আই.টি.-কার্ফিয়ু, ইন্টরনেট থিংবনা চৈথেং পীরি। কেম্পস রিক্রূটমেন্টকী কম্পানি চাদা ৪০ লাকপীয়ু হায়বা য়াদ্রে হায়বা হেদলাইন অসি সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইনি।

মীতৈ খুন্নাই করম্বা থাক্তা লৈরিবগে হায়বা খন্থরসি। পাঙ্গল খুল্লক্তা নুমিদাংদা দ্রগ লৌবা লাকপা মীতৈ লৈশাবী মরি ফারে হায়বা হেদলাইন অসি পাউ চে অসিগী অনিশুবা হেদলাইনি।

জন্তর মন্তরদা ইন্দিয়া ব্লোক্কী পার্টি ১০ না প্রোটেষ্ট তৌনবা থৌরাং তৌরম্বদু ওথোরিতিনা অয়াবা পীখিদ্রে হায়বা হেদলাইন অসি পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইনি। কুকি লালহৌবনা নমদুনা ফৌ খোমগৎলে, খুঞ্জা তরাসু ফুরগা থাদোরক্লে হায়বা হেদলাইন অসিনা পোকফমগী অনিশুবা হেদলাইনি।

ইন্দিয়া ব্লোক্কী প্রোটেষ্ট তৌহনখিবদগী পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক অমসুং মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলক্লি। নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ অমসুং ঈচেল এক্সপ্রেসকীনা অনিশুবা হেদলাইন ওইনা ফোংলক্লি।

মীয়ামগী অপান্বা লৈঙাকা উৎথোক্তবনা মীয়ামনা শাউবা হেনগৎলকপনি হায়বা এম.এল.এ. এল. রামেশ্বরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

থমাপোকপী, শান্তি খোঙবাল, শবুংখোক খুনৌদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি ঈচেল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন অসি-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম ভোট অমসুং সিট মশিং য়ামদবনা হৌখিবা লৈঙাকশিংনা অৱাং নোংপোক্কী চাউখৎ থৌদাংদা মীরাইরম্মী হায়বা হেদলাইন অসিনি। হায়রিবা পাউ অসি মনিপুর ন্যুজতনা-নুপীশিংনা কদাই ফাওবা তৌবা ঙম্বগে হায়বদু মনিপুরগী নুপী লালনা ময়েক শেংনা তাক্লি। হেন্দলুমগী ফজবশিংদা মনিপুরগী মোইরাং ফি অমসুং ৱাংখৈ ফি নাথৈবা য়ারোই হায়না প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন পীরি।

রাজ্য সভাদা কংগ্রেসকী এম.পি. অমগী সিটতগী লুপা চমঙা চৎপী বন্দল অমা ফংবদগী চরাংনবা থোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি মনিপুর ন্যুজকী অনিশুবা হেদলাইননি।

ফোরলেন্দ প্রোজেক্টকী থবক থিন্থবগী মরম করিগীনো হায়না এম.পি.ওনা ৱাহং হংখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইনি। এস.টি. স্কোলারসিপ পীথোক্তবগী মায়োক্তা মনিপুরগী ত্রাইবেল মহৈরোইশিংনা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি গানফিয়ু মেলদা মরুওইবা পাউ অমা ওইনা ফোংলক্লি।

তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন অসি দিসেম্বর ২২ দা মেগা প্রোটেষ্ট রেল্লি অমা চৎনবা তোঙান তোঙানবা লুপশিং উন্নদুনা খন্নখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনি।